HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses
হুইয়েন লানপাউ
The Largest Circulated Newspaper in Manipur



লায়ন্স ক্লব ওফ থৌবালগী চহী ২৫ শুরকপগী থৌবাল ক্ষেত্রি লৈকায় তোমজিং মখোঙদা লৈবা ব্রাইট ফাউন্দেসন স্কুলদা পাঙথোকখিবা লুপা ফুদোংবগী থৌরমদা শরুক য়াখিবশিং

অয়ুক হেক হৌগৎলকপগা মীওই অয়াম্বনা চা থকপগী হৈনবী লৈ...
☛ লামায় ২

শাফি-লানফিগী ফিজোল শেৎতুনা ব্লেক দে পাঙথোকখ্রে
লামায় ৬

(মীয়াম্না পাবীয়ু, নৈনবীয়ু) ‘মণিপুরগী লানগী.../হকথেংনবা পাউদম
☛ লামায় ৯

ইন্দিয়ানা অষ্ট্রেলিয়াবু ব্রীকেট ৫দা মায়থীবা পীখ্রে
☛ লামায় ১০

কোর্টনা খুল ঙাকপা ৫ বেল পীরবসু অমা এন আই এনা ফারগা পুখ্রে হায়বদগী হৌরকখিবা মীয়ামগী মনুংদা মীওই অমনা টিদ্দিম লম্বীদা ফমজিন্দুনা প্রোটেষ্ট তৌখিবা



Vol. 47, Issue No. 179 | থাংজ, লাংবনগী ৮নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Saturday, September 23, 2023, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.00

## ইম্ফাল ৱেষ্টতা কর্ফিয়ু কোমথোক্লে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২২ (ঐচএনএস):** ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্তা হয়েংগী ওইনা কর্ফিয়ুগী অথিংবা কোমথোক্লরোই হায়না দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট টি ঐচ কিরনকুমারনা ফোঙদোরক্লি। ৱাফম অসি পাউচে অসিগী মায়কৈদগী দিষ্ট্রিক্ট অসিদা হয়েং কর্ফিয়ু কোমথোকদ্রা হংলুবদা খুল্লকখিবনি।

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

**HL Poll**

Q : Kuki Militantsingna chatharakpa Lan lephandriba faoba Manipurda makhal kayagi irang thorakhigani haibada aranba wapham oigadra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes No

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

**NGARANG GI RESULT**

Q : Manipurgi Lan loisinnabagi chatkhiba MLA/Ministersinggi manunggi mari hallakkhribasi P Mna unnabagi ayaba piraklaroi khanbadagi oigadra?

Yes 86% No 14%

**অস! লোইরেহে!**

- মালেম অসি শাবা অসুম অসুম হেনগৎলক্লি।



- চেঙ তাঙবা অসুম অসুম হেনগৎলক্লি হায়বীয়ু, সার।

## ফাজিল্লুবা খুল ঙাকপা ৫ কন্দিসন য়াওদনা থাদোরক্তে, কোর্টনা বেল পীরক্লবা মতুং মীওই ১ এন আই এনা পুখ্রে

# খোইশাওনরবা মীয়াম হৌরকখ্রে, টিয়র গ্যাস কাপ্পদা ইম্ফাল মনুং মৈখুনা শুক তরেৎ মমখ্রে



খুল ঙাকপা মীওই মঙা কোর্টনা বেলদা থাদোরক্লবা মতুংদা মীওই ১ এন আই এদা পুহনখিবগী মায়োক্তা হৌরকখিবা মীয়াম তানখায়নবা টিদ্দিম লম্বীদা বুলেট প্রুফ জিপসিদগী টিয়র গ্যাস সেলশিং কাপখিবা

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২২ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ১৬কী নুমিদাংদা কোংবা-ৱাংখৈ লম্বী পরিংগী মীতৈ ময়েক হায় স্কুল মনাক্কী মফম অমদগী পুলিসনা নোংমৈ ৪ অমসুং গাড়ী ১গা কোন্ননা ফাগৎখিবা মীওই ৫বু মীয়াম্না কুকি মিলিটেন্টশিংদগী ঙাকথোক্লবা খুল ঙাকপা চৎলুবদগী হল্লকপদা ফাজিনখিবনি হায়রদুনা মখোয় ৫বু কন্দিসন অমত্তা য়াওদনা থাদোরক্লবা পুং ৪৮গী মণিপুর বন্দ ফাওবা কৌদুনা অকনবা খোঙজং চঙশিল্লকখিবগা লোয়ননা ঙসি মখোয় ৫বু কোর্টনা বেলদা থাদোকখ্রে। অদুবু মতুংদা মখোয়গী মনুংদগী মীওই অমা পুলিসনা এন আই এদা শিন্নথোক্তুনা মণিপুরগী মপান্দা পুখ্রে হায়বা ৱাহৌদগী খোইশাওনরবা মীয়াম্না ইম্ফাল মনুংগী মফম অয়াম্বদা হৌরকপদগী পুলিসনা তানখায়দুনা লাকশিন্নবা টিয়র গ্যাস সেলশিং মশীং খঙদনা কাপ্পদা ইম্ফাল মনুং মৈখুনা শুক তরেৎ মমখ্রে।

খাবৈশোইদা লৈবা স্পেসল কম্মান্দোগী টিম অমনা ফারবা মতুংদা পোরোম্পাৎ পি এসতা শিন্নখিবা মীওইশিং অদুদি শীংজমৈ সোরোকখাইবম লৈকায়দগী মোইরাংথেম আনন্দ (৪৫) অপোকপা লৈখিদ্রবা এস অচৌ, কোংবা নোংথোম্বম লৈকায়দগী অথোকপম কাজিৎ এলিয়জ কিশোরজিৎ (৩৯) অপোকপা এ ধনঞ্জয়, খুরাই অহোঙ্গৈদগী লৌক্রাকপম মাইকেল মঙাংচা এলিয়জ তোলুমু (৩০) অপোকপা লৈখিদ্রবা এল ইবোতোন, শগোলবন্দ সয়াংদগী কোন্থৌজম রোমোজিৎ মৈতৈ (২৮) ...মখা লামায় ৩ কলম ১

## চীফ মিনিষ্টরগী অকনবা ৱার্নিং

## লন্নাই মীওই নৎত্রগা গ্রুপশিংনা পায়রিবা ইল্লিগেল নোংমৈশিং নুমিৎ ১৫নিগী মনুংদা সরেন্দর তৌরক্কদবনি, নুমিৎ অসিগী মতুংদগীদি সেন্টর অমসুং ষ্টেট ফোর্সনা নোংমৈশিং ফাগৎনবা মণিপুর পুম্বদা ওপরেসন চথরগনি

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২২ (ঐচএনএস) :** ঙসি নুমিদাং পুং ৯.০৯ তারকপদা মণিপুর লৈঙাক্কী দি আই পি আরগী খুত্থাংদগী ফংখিবা চীফ মিনিষ্টরগী চেরোল অমনা ষ্টেট শিনবা থুংনা মীওই অমনা নৎত্রগা কাঙলুপ খরনা পায়রিবা ইল্লিগেল নোংমৈশিং ঙসিদগী থারগা নুমিৎ ১৫নিগী মনুংদা সরেন্দর তৌরক্কদবনি হায়রি।

হায়রিবা নুমিৎ অসিগী মনুংদা ইল্লিগেল নোংমৈশিং পীখৎলকপা মীওইশিংদদি লৈঙাক্কী মায়কৈদগী অখন্নবা মীৎয়েং অমা য়েংগনি অদুগা পীরিবা নুমিৎ ১৫নিগী মতম অসি লোইরবা মতুংদদি সেন্টর অমসুং ষ্টেটকী সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা অসিগুম্বা মখলগী খূৎশু খূৎলায়শিং অসি ফাগৎনবগীদমক মণিপুর শিনবা থুংনা ছর্স ওপরেসনশিং চথরগনি হায়বগা লোয়ননা ইল্লিগেল নোংমৈশিং পায়রম্বা মীওইশিংগী মথক্তা লোগী মতুংইন্না অকনবা থবক লৌখৎকনি হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়বদা, লমহেন তুহেনবশিং নৎত্রগা ইল্লিগেল নোংমৈশিং অসিবু শীজিন্নবা মীওই কাঙলুপশিংনা শেল মুনবা, কিহন-খংহনবা অমসুং মী ফাদুনা পুবগী থবকশিং চথরে হায়বগী রিপোর্ট লৈরে। থৌওংশিং অসিমক য়াম্না শাথীবা অমনি হায়রদুনা মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী ষ্টেট অসিগী মফম অমদা হেক্তা অসিগুম্বা মীওইশিং অসিগী মথক্তা অকনবা থবক লৌখৎলগনি হায়রি।

মরম অসিনা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী মণিপুরদা ঈং-তপ্পা অমসুং মহৌশাগী তংদু লৈতাবা ফীভম হঞ্জিল্লক্লবা হোৎনরিবা সেন্ত্রেল অমসুং ষ্টেট লৈঙাক্তা মতেং পাংবীয়ু হায়নসু মীয়ামদা আপীল তৌরক্লি।

## লৈঙাক্না চথরক্লিবা থৌওংশিংগী মতুংইন্না থোরকপা থৌদোকশিংগী তেকচাক পূম্নমক লৈঙাক্না পুগদবনি : লংথবাল কেন্দ্র ক্লবস কোওর্দিনেটিং কম্মিটি

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২২ (ঐচএনএস) :** চিন-কুকি টেররিষ্টশিংনা মীতৈদা নোংমৈ অমসুং বোম কাপশিন্দুনা লোইজি লোয়াদা লৈরিবা চমজরবা ইরৈচা কয়াবু ওৎ নৈবা অমদি য়ূম মৈ থাবগী চথরকখিবা থৌওংশিং লাকশিন্নবা লৈঙাক্না চপ চানা পায়খৎফম থোকপা থবকশিং ...মখা লামায় ৩ কলম ৬

## মপান্দগী পুশিল্লকপা সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংনা মণিপুর পুমথন থনগদৌরে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২২ (ঐচএনএস) :** কুকি ফ্রুপ্পা কোনশিনবা মখোয়গী মিলিটেন্টশিং অমসুং ফ্রুপশিং অদুগী লমহেন তুহেনবা মীওইশিংনা মণিপুরগী অপূনবা শক্তম থুগাইরগা মচেৎ অমা ফক্তুনা তোঙানবা এদমিনিষ্ট্রেসন লৌগনি হায়বগী দিমান্দদা মে ৩দগী মীতৈদা ওনশিন্দুনা চথরক্লিবা তমথীরবা হিংচা য়াইতম্বগী লান অসিবু লাকশিন্নবা য়ুনিয়ন লৈঙাক্না পীক্লবা ষ্টেট অসিদা হান্নসু সেন্ত্রেল ফোর্সশিং ওইরিবা পেরামিলিটরি অমসুং আর্মি পর্সনেল লিশীং ৬০গী মথক্তা থাজিল্লকখ্রবা মতুংদসু লেপ্তুনা মপানগী সিক্যুরিটি পর্সনেলশিং হোঞ্জিল্লকপা লেপ্তুবদগী মণিপুর পুমথন থনগদৌরে। ...মখা লামায় ৩ কলম ৬

## পুলিসকী য়ুনিফোর্ম শেৎপা খূৎলায় পায়বশিংনা ইঞ্জিনিয়র ১ ফাখ্রে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২২ (ঐচএনএস) :** ঙসি নুংথিল পুং ৫ রোম তারকপদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী সেকমাই পি এসকী মনুং চনবা তিঙ্গ্রীগী মফম অমদগী মীতৈ পাঙল ইঞ্জিনিয়র অমা পুলিসকী য়ুনিফোর্ম শেৎপা খূৎশু খূৎলায় মতিক চানা পায়বা মারুটি জীপসি অনীদা লাকপা মীওই ৮না ফারগা পুখ্রে হায়রি।

ফাদুনা পুখিবা ...মখা লামায় ৩ কলম ৮




ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস কোর নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫